থাজবা পীরক্লে : অব্দুলা

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৫ (ঐচ এন এস) : মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরগা ঙসি উনবদা মাইনোরিটিজগী তোঙানবা দিরেক্টোরেট অমা থম্লবা থাজবা পীরক্লে হায়না মণিপুর মুস্লিম ৱেলফ্যের ওর্গনাইজেসন (এম এম দব্লিয়ু ও)গী প্রসিদেন্ট অব্দুলা পথাননা পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

হট্টাদা লৈবা ওর্গনাইজেসন অসিগী ওফিসতা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা অব্দুলা পথাননা হায়খি, মাইনোরিটিশিংগী দিমান্দ কয়া তান্দুনা লাক্লি। দিমান্দ অসি থবক্তা ওন্থোক্লগনি হায়না লৈঙাক্লা থাজবা পীরক্লে। মাইনোরিটিশিংগী ওইবা দিমান্দ তৌদুনা খোঙজং কয়া চঙশিনখ্রে। মার্চ ৩১ দা খোঙজং হন্দে দাকখিবা অদু ফোরেষ্ট মিনিষ্টরগা ৱারী শানরবা মতুংদা দিমান্দশিং পীগনি হায়না থাজবা পীরকপদগীনি। ঙসি চীফ মিনিষ্টরনা লুচিংবা মিনিষ্টর খরগা এম এম দব্লিয়ু ওগী মীহুৎশিং য়াওনা ৱারী শানখি। মাইনোরিটি, ও বি সী, সেদ্যুল্ড কাষ্টশিংগী ওইবা তোঙাননা থম্বীয়ু হায়না দিমান্দ তৌদুনা লাকখিবনি। এম ও বি সীদা কুমজা ২০১০ দগী ২০১৭ ফাওবগী থবক থৌরমশিংগী ইনকারি তৌদুনা হ্বাইট পেপর পুথোকপীয়ু হায়নসু দিমান্দ তৌখিবনি। ঙসি চীফ মিনিষ্টরগা উনদুনা ৱারী শানবদা মাইনোরিটিশিংগী ওইবা তোঙানবা দিরেক্টোরেট থম্লবা থাজবা পীরকখি।

স্পেসল ইনভেষ্টিগেসন টিম অমা শেম্লগা কুমজা ২০১০ দগী ২০১৭ ফাওবগী এম ও বি সীগী রেকোর্দ থিগৎহল্লগনি হায়নসু থাজবা পীরকখি। মসিগীদমক লৈঙাকপু থাগৎলি। এম এম দব্লিয়ু ওনা চঙশিনখিবা খোঙজংদা মতেং পাংবীরকখিবশিংবুসু থাগৎলি হায়নসু ফোঙদোকখি।

ঈশৈ মখা তানা পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৫ (ঐচ এন এস) : অপূনবা মণিপুর মতম ঈকৈ কাঙলুপ (আমিক) কী আর্টিষ্টশিংনা মতম খরা ঈশৈ নোংমাইগী থৌরমশিং লেপ্পুরবা মতুং হয়েংদগী মখা তানা পাঙথোকপা হৌরগনি হায়না অপুনবা মণিপুর মতম ঈশৈ কাঙলুকী পব্লিসিটি সেক্রেটরিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

GAS NEWS

ASHANGBI INDANE, SUGNU
Booking Upto:27/02/2018
Valid From:24/02/2018
Stk :306
Timing:09.00am to 11.00am

ATHOKPAM INDANE
Booking Upto:08/02/2018
Valid From:05/02/2018
Stk :612
Timing:07.00am to 10.00am
(Pubmit Aadhaar Xerox)

CANCHI INDANE SERVICE
Booking Upto:26/02/2018
Valid From:20/02/2018
Stk 14Kg:612, Rs. 762.50/-
Timing:08.00am to 10.00am

HRANGCHAL GAS AGENCY, OLD LAMBULANE
Booking Upto:01/03/2018
Valid From:27/02/2018
Stk :306 (Aadhaar Link Consumers Only)
Timing:07.30am to 10.30am

IMPHAL LPG SERVICE
SL.NO. UPTO - 52922
Booking Upto:26/02/2018
Valid From:01/12/2017
Stk :170
Stk 19Kg: 100
(Delivery at Heinoupok)

KHORIPHABA, NAMBOL
SL.NO. 10188
Booking Upto:11/03/2018
Valid From:08/03/2018
Stk :306 (CTC)
Timing:07.00am to 10.00am

KHONGNANG GAS AGENCY, NINGTHOUKHONG
SL. NO. FROM 9717
Booking Upto:21/02/2018
Valid From:17/02/2018
Stk :306
Timing:07.30am to 10.30am

LEIBAKLEI GAS, KAKCHING
Booking Upto:15/02/2018
Valid From:02/02/2018
Stk :612
Timing:07.30am to 11.00am

MAHALAKSMI INDANE
SL.NO. UPTO 209750
Booking Upto:14/02/2018
Valid From:04/02/2018
Stk :306
Timing:07.30am to 10.30am

MANIPUR GAS SERVICE
Booking Upto:25/02/2018
Valid From:22/02/2018
Stk :612 (DBTL)
Timing:07.30am to 09.30am

R&H IRILBUNG
Booking Upto:28/01/2018
Valid From:14/01/2018
Stk :612
Timing:08.00am to 11.00am

YAIRIPOK GAS SERVICE
Booking Upto:29/01/2018
Valid From:19/01/2018
Stk :612
Timing:07.00am to 10.00am

ঔগ্রি থিয়েটর রিপর্টরি ক্লাকৈথেলনা শীন্দুনা নুমিৎ হুম্নি চথগদবা ৭লকশুবা ষ্টেট লেবেল ফেষ্টিবেল ওফ জি সী তোংব্রা'স প্লে ২০১৮ হৌদোকপগী শক্তম

মীমান্নদ্রবী নুপীমচা অমা ফম্লানবীরম্লে, চেন্নবা ফারে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৫(ঐচ এন এস): লৈঙাক অমদি সী এস ওশিংনা লমদম অসিদা নুপী অঙাংদা চথুবা ক্রাইম অসি হস্তনবা কন্না হোৎনরিঙৈ চৈরক্তা ঙরাং নুমিদাং থাবল চোংফমদগী মীমান্নদ্রবী চহী ২১ রোম শুরবী নুপীমচা অমা থেমদুনা পুথোকপীরগা ফম্লানবিরগা হুন্দে দাকপীরম্লে।

থৌদোক অসি য়াইরিপোক পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা নোংপোক কৈথেলমানবী বাজারগী থাবল চোংফম মনাক্তা থোকখিবনি। থৌদোক অদুদা চেন্নরিবা নুপা অদুগী মমীং লোংজম নাওবা (২৩) অপোকপা লৈখিদ্রবা এল নিংথৌ কৌই। মহাক মোইরাংপুরেল ফুরা মখোঙদা লৈবনি হায়না মরাল শিরক্লি।

মরাইবক থিরবী নুপীমচা অদুগী ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা ফোঙদোরকপদা, নোংপোক কৈথেলমানবী বাজার মনাক্তা থাবল চোংখি। মদুদা মীমান্নদ্রবী নুপীমচা মনাওনুপাগা লোয়ননা থাবল চোংবা য়েংখি হায়রি। মখোয়গা লাকমিন্নবশিং অদুনা থাবল চোংবা য়াওরিঙৈদা নুপীমচা অদুনা মখোয়গী ফিনচিংবা পায়দুনা লৈখি। মতম অদুদা নাওবনা মীমান্নদ্রবী নুপীমচা অদুদা ফোন তৌশিল্লগা মহাকপু মফম অদুদগী থেম্লগা পুথোকখি হায়রি।

মদুগী মতুংদা নুপীমচা অদু নমদুনা ফম্লাল্লবা মতুংদা নুপা অদুনা হুন্দে দাক্ল স্লগা চৎখি হায়রি। মফম অদুদগী নুপীমচা অদু কপ্লগা চেল্লকখি। নুপীমচা অদুনা কপ্লগা চেল্লকপা অদুদা থাবল চোংফমদা লৈরম্বা মীওইশিংনা হংলুবদা থোকখিবা থৌদোকশিং অদু ফোঙদোরকপদগী খুদক্তা মীয়াম চঙদুনা নুপা অদু থিবদা নোংয়াই মতুং পুং ১ রোম তাবা মতমদা নাওবা ফাখি হায়রি।

মীয়াম্না নাওবা খরা ৱারক ৱাতেল্লবা মতুংদা য়াইরিপোক পুলিসতা শীন্নখ্রে হায়রি। মতুংদা নোংঙাল্লগা ঙসি অয়ুক মীয়াম্না অন্দ্রো পুলিস ষ্টেসনদা থোমজিনখি। অদুবু থৌদোক থোক্লিবা মফম অদু য়াইরিপোক পুলিসকী মনুং চনবা লোয়ননা য়াইরিপোক পুলিস ষ্টেসনগী ৱুমেন পুলিস লৈতবদগী থৌবাল ৱুমেন পুলিস ষ্টেসনদা নুপী অদুগী কেস লৌখৎখি হায়রি।

থৌবাল ৱুমেন পুলিসনা এফ আই আর অমা লৌখৎপগা লোয়ননা মীমান্নদ্রবী নুপী অমদি থৌদোক অসিদা চেন্নরিবা নাওবা পোরোমপাৎকী জেনিমসকী ফোরেন্সিক সাইন্সতা মেদিকেল এগজামিন তৌখ্রে হায়রি। নাওবা হায়রিবা মীওই অসি চহী অমগী মমাংদা নুপী অমা লৌরম্লগা থা অমরোম লৈমিন্নরম্লবা মতুংদা খায়নদুনা লৈরবনি হায়রি। নুপা অসি গাড়ী দ্রাইভরনি হায়রি। মরম অদুনা অসিগুম্বা থৌদোকশিং অসি মখা তানা থোক্তনবা মরী লৈনবা ওথোরিটিনা চেন্নরিবা মীওই অসি লোগী মতুংইন্না অকনবা চৈরাক পীবীনবা মীমান্নদ্রবী নুপী অদুগী মমানা থম্মোয় শোক্লা পুলিসতা ফোঙদোকখি।

এন এস য়ু আইগী নেসনল কনভেন্সনদা শরুক য়ারুনবা ইম্ফাল থাদোক্লগনি : বঙ্কিম

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৫ (ঐচ এন এস) : নেসনল ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়া (এন এস য়ু আই)গী নেসনল কনভেন্সন অমা থা অসিগী ৯ দগী ১০ ফাওবা রাজস্থানগী জয়পুরদা পাঙথোক্কদৌরিবা অসিদা এন এস য়ু আই মণিপুরগী মীহুৎ ১২না শাবা টিম অমনা শরুক য়ারুগনি হায়না এন এস য়ু আই মণিপুরগী প্রসিদেন্ট বঙ্কিমচন্দ্রনা পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

কোংগ্রেস ভবনদা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা বঙ্কিমচন্দ্রনা হায়খি, জয়পুরদা পাঙথোক্কদৌরিবা নেসনল কনভেন্সন অসিদা মহৈরোয়শিংগী ওইবা তোঙান-তোঙানবা হীরম কয়ানা খন্ন-নৈনগনি। ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন ইলেক্সন, ষ্টুদেন্টস রাইট, অন-ইমপ্লোয়মেন্ট প্রোব্লেমনচিংবগী মতাংদসু য়াম্না কুপ্না কনভেন্সন অসিনা খন্ন-নৈনগদৌরি। ইন্দিয়াদা হৌখিবা চহী খরা অসিদা থবক ফংদবগী চাং অসি য়াম্না ৱাংখৎলে। মণিপুর য়াওনা নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংদসু থবক ফংদবগী চাং অসি য়াম্না ৱাংনা লৈরে। হৌজিক পাল্লিবা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিগী মতমদা দিজিটেল ইন্দিয়া, ষ্টার্ট-অপ, মেক ইন ইন্দিয়া হায়বনচিংবা প্রোগ্রাম কয়া লাউথোক্তুনা লৈরি। অদুবু, থবক ফংদবা মীগী মশীংদি নোংম-নোংমগী হেনগৎলক্লি। অসিগুম্বা হীরম কয়া অসিগী মতাংদসু নেসনল কনভেন্সননা য়াম্না কুপ্না খন্ন-নৈনগনি। নহা ওইরিবশিংনা খুন্নাইগীদমক তৌবা য়াবা থবকশিং তৌনবা কুপ্না খন্নমিন্নবা তঙাইফদে। শেন্মীৎলোন অমদি থবক ফংদবগী হীরম কয়া অসিগী মতাংদসু কুপ্না খন্ন-নৈনবা চঙই। জয়পুরদা পাঙথোক্কদৌরিবা মীফম অসিদা এন এস য়ু আইগী থৌপুবশিং অমদি মহৈরোয় কয়ানা শরুক য়াদুনা হীরম কয়াদা খন্নগদৌরি। মণিপুরদগীসু কনভেন্সন অসিদা মীহুৎ কাঙবু অমনা শরুক য়ারুগদৌরি হায়নসু ফোঙদোকখি।

কোল্ড ষ্টোরেজ শানবগী প্রপোজল কৌরি

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৫ (ঐচ এন এস) : ইন্টিগ্রেটেদ কোল্ড চেন এন্দ ভেল্যু এদিসন ইনফ্রাষ্ট্রকচর ওফ প্রধান মন্ত্রি কিষান সম্পাদা য়োজনাগী মখাদা ইন্টিগ্রেটেদ কোল্ড চেন প্রোজেক্ট শেমগৎনবগীদমক প্রপোজলশিং কৌরি হায়না ইন্দষ্ট্রিগী দেপ্যুটি দিরেক্টরনা থোকপা নোটিশ অমনা হায়রি।

নোটিশ অদুগী মতুংইন্না হীরম অসিগী মতাংদা থৱায় য়াওবা অমদি থবক তৌবা ঙমগদবা ওন্ট্রপ্রেন্যুর অমদি প্রমোটরশিংনা কোল্ড চেন প্রোজেক্ট অসিগীদমক এপ্লিকেসন থাবা য়াগনি। এপ্লিকেসন সমিট তৌবগী অরোইবা নুমিৎ থা অসিগী ৩০গী নুংথিল পুং ৫ ফাওবনি। ওনলাইনদা এপ্লিকেসন পীশিনবা য়াগনি। প্রপোজল অসি রিভাইস ওপরেসনেল গাইদলাইনগী কাঙলোন মখাদা পায়খৎকদবনি হায়রি।

অমরোমদা, ইন্দষ্ট্রি দিরেক্টোরেটকী দেপ্যুটি দিরেক্টরনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, প্রধান মন্ত্রি কিষান সম্পাদা য়োজনাগী মখাদা বেকৱার্দ এন্দ ফোরৱার্দ লিঙ্কেজগী ফাইনান্সিএল এসিষ্টেন্সকীদমক প্রমোটরশিংদগী প্রপোজল কৌরি। হীরম অসিদা থৱায় য়াওবা প্রমোটরশিংনা মখোয়গী প্রপোজলশিং ওনলাইন পোর্টেলদা সবমিট তৌরকপা য়াগনি। স্কিম অসিগী অকুপ্পা ওপরেসনেল গাইদলাইন মিনিষ্ট্রিগী ৱেবসাইটতগীসু খঙবা য়াগনি। প্রপোজল সবমিট তৌরকপগী অরোইবা মতম থা অসিগী ৩০গী নুংথিল পুং ৫ ফাওবনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

ইন্দো-বাংলা মণিপুরী কলচরেল ফেষ্টিবেল-২০১৮ দা শরুক য়ারুবশিং ওকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৫ (ঐচ এন এস): পেট্রিওটিক রাইটর্স ফোরম, মণিপুরনা শীন্দুনা ইন্দো-বাংলা মণিপুরী কলচরেল ফেষ্টিবেল-২০১৮ বাংলাদেশতা শরুক য়ারুবা মণিপুরী কলচরেল টিম ওকপগী থৌরম অমা ঙসি ইম্ফালগী মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা খুরাই এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী এম এল এ, এল সুসিন্দ্রোনা চীফ গেষ্ট, পি এ দব্লিয়ু এফ মণিপুরগী প্রসিদেন্ট য়াইস্কুল খ্বাইরাকপমনা প্রসিদেন্ট অমসুং ইন্দো-বাংলা মণিপুরী কলচরেল ফেষ্টিবেল ২০১৮ টিম মণিপুর (ইন্দিয়া)গী চ্যেরমেন ডো. এস মনাওতোননা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখিবা এল সুসিন্দ্রোনা ফোঙদোকখিবদা, ঐখোয় মণিপুরী অমা ওইনা চাউখৎলে হায়বা তারগদি ৱাখল্লোন মান্নবা ইচিল-ইনাওশিং পূনবা মথৌ তাই। অতোপ্পা ষ্টেট অমসুং কন্ত্রিদা মশীং য়াল্লবা মণিপুরী ময়াম অমা লৈ। ময়াম অসিগা পূনবা ঙম্নবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা পেট্রিওটিক রাইটর্স ফোরমবু থাগৎচৈ।

অতোপ্পা ষ্টেট অমসুং কন্ত্রিদা লৈখিবা মণিপুরীশিংনা ঐখোয়গী অশেংবা কলচরগী আইদেন্টিটি ময়াম অসি কাউশিল্লকপদৌনা তৌরি। মসিবু ঐখোয়না কন্না হোৎনদুনা নীংশিংহনবা মথৌ তাই। ঙসি পেট্রিওটিক রাইটর্স ফোরমনা হোৎনরিবা ময়াম অসি অসিগুম্বা কলচরগী আইদেন্টিটিশিং অসি কন্নবা হোৎনবনি হায়না লৌই হায়খি।

দিমান্দ তৌরক্লি...

লামায় ১গী মখা... দিভিজন চীফ এসোসিএসনগী চ্যেরমেননা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। চেরোল অদুনা হায়, মমাং থাগী ৩০ দা হেংলেপ সব-দিভিজন চীফ এসোসিএসনগী জেনরেল বোদি মীটিং অমা পাঙথোকপদা হেংলেপকী এস দি ও খূদক্তা ট্রান্সফর তৌনবা দিমান্দ তৌনবগী ৱারেপ লৌখিবনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

ৱেটলিফ্‌টর মিরাবাইনা অনৌবা...

লামায় ১গী মখা... নোংপোক ককচীংদগীনি। নোংপোক ককচীং হায়রিবা খুল অসি লম্লাই এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সীগী মনুংদা লৈবনি। সাইখোম ক্রিতি মীতৈ অমসুং সাইখোম ওংবী তোম্বী লৈমগী মচা তরুক্কী মনুংদা মহাক্লা ইতোন তোনবীনি। কুমজা ১৯৯৪গী ওগষ্ট ৮দা মহাক তাইবঙপালদা খোঙদারকখি।

মিরাবাই কুমজা ২০০৭-০৮দগী ৱেট লিফটিং মশান্নদা খোঙদাবা হৌরকখি। ইম্ফালদগী কিলোমিটর ২৫ রোম লাপ্না লৈবা নোংপোক ককচিংদগী পেসেঞ্জর চেনবা গাড়ীদা হঙ্গৎ-হন্দা লম্লোং ফাওবা তোংলগা খুমন লম্পাক তানা লাক্লগা ৱেটলিফটিং মশান্না তম্বা হৌরকখি।

মিরাবাই চনু কুমজা ২০০৮দগী ষ্টেট লেবেল চেম্পিয়নশিপ শান্নরবা তুংদা কুমজা ২০০৯গী সেপ্টেম্বর ১৩দগী ১৫ ফাওবা চথখিবা ৫শুবা নেসনল য়ুথ/সব-জুনিয়র গর্লস ৱেথ লিফটিং চেম্পিয়নশিপ্তসু ব্রোঞ্জ মেদল লৌবা ঙমখি। কুমজা ২০১১দা হরিয়ানাদা পাঙথোকপা ২৩শুবা ৱিমেন্স জুনিয়র ৱেটলিফটিং চেম্পিয়নশিপ্তসু সিলবর মেদল লৌখি। হায়রিবা চহী অসিমক্তদা থাইলেন্দগী পটায়াদা পাঙথোকপা এসিয়ন জুনিয়র ৱেট লিফটিং চেম্পিয়নশিপ্তসু শরুক য়াখি।

ৱেটলিফটিংদা অচৌবা মফম অমা কনবা পাল্লকখিবী মিরাবাই চনুনা খুমন লম্পাক্কী ষ্টেট ট্রেনিং সেন্টরদা ষ্টেটকী কোচ ওইনা লৈরিবী এল অনিতা চনুগী মখাদা চাং নাইনা ট্রেনিং চথুরকখি। কুমজা ২০১১গী দিসেম্বর ১২দা ন্যু দিল্লিদা লৈবা জৱাহরলাল নেহরু ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকপা য়ুথ অমদি জুনিয়ন নেসনল চেম্পিয়নশিপ্তসু মহাক শরুক য়াখি। রিও ওলিম্পিক গেমসতা ইন্দিয়াগী মেদল অমদি শোয়দনা ফংগনি হায়না পানখিবী সাইখোম মিরাবাই চনু মেদল অমত্তা ফংবা ঙমখিদে। মদুদগী মহাক অমুক্কা হেন্না কন্না হোৎনদুনা ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপতা গোল্ড মেদল লৌরকখিবনি। মশাগী চহী ২৩ শুরবী সাইখোম মিরাবাই চনু ইন্দিয়ন রেলৱেদা থবক তৌরি।

ওফিস চঙদবগী খোঙজং ...

লামায় ১গী মখা... ৱারী শানবা লৈখ্রে। হৌজিক চঙশিল্লিবা খোঙজং অসিগী মতাংদা ৱারোইশিন অমা পুরক্লবা হোৎনবীয়ু। লৈঙাক্লা ৱারোইশিন অমা পুরক্লবদি চঙশিল্লিবা খোঙজং অসি হন্দোক্কনি। ৱারোইশিন পুরক্ত্রবদি খোঙজং হন্দে দাক্লোই হায়নসু মখা তানা ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি, ইমপ্লোয়ীশিংগী অপূন লূপ অমা ওইরিবা ফেদরেসন কাঙবুগীদি এপ্রিলগী অনীশুবা চয়োলদগী থবক লেপ্পগী খোঙজং হৌগনি হায়না লাউথোক্লল্লবা মতুংদা হৌজিক খোঙজং চঙশিনবা হৌরব্রা নৎত্রগা হৌদ্রিব্রা হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি।

মরক অসিদা, মণিপুর সেক্রেটরিয়েট সার্ভিসকী ইমপ্লোয়ীশিংদি থবক লেপ্পগী খোঙজং অসিদা শরুক য়াদ্রিঙৈগী মমাংদা ব্লেক বেজ থেৎপগী খোঙজং হান্না চঙশিন্ননবা ৱারেপ লৌখ্রে হায়রি।

মণিপুর মোদেল ষ্টেট ওইহন্নবা...

লামায় ১গী মখা... গো টু ভিলেজ মিসনগী মতাংদা ইন্টরেক্সন সেসন কম মীটিং অমসু পাঙথোক্কনি। মসিদা কেবিনেট মিনিষ্টরশিং, এদমিনিষ্ট্রেটিব সেক্রেটরিশিং, দি সীশিং, হেদ ওফ দিপার্টমেন্টশিং অমদি মকোক থোংবা ওফিসলশিংনা শরুক য়াদুনা মিসন অসি মায় পাক্লা পায়খৎপদা তঙাইফদনা তৌগদবা থৌরাং কয়া অদু য়াখোক্কনি। হেদ ওফ দিপার্টমেন্টশিংনা থা অসিগী মনুংদা তঙাইফদবা থৌরাংশিং য়াখোক্কদবনি। মিসন অসি চহীসিগী মেগী অহানবা চয়োলদা হৌদোক্কনি।

পোপী প্লান্টেসন থারম্বশিংদা অতোপ্পা তৌরাং অমা পায়খৎতুনা হিংনবগী লম্বী পীনবা লৈঙাক্লা মীৎয়েং চঙগনি। খুল-খুলশিংদা থবক তৌবা ঙমগদবা ওন্ট্রপ্রেন্যুরশিং খঙদোক্তুনা পূক্লিং থৌগৎকনি। ষ্টেট অসিদা পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা চহী ১ ফারকপা অসিগী মনুংদা পায়খৎখিবা থবক থৌরমশিং অসিদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা থাগৎপা ফোঙদোরকই। তোঙান-তোঙানবা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর কয়ানসু লৈঙাক অসিগী থবক থৌরমশিংদা থাগৎপা ৱাফম থল্লকই হায়নসু ফোঙদোকখি।

তুংদা ওফিসর কয়ানা মাগী-মাগী ওইবা ৱাখল্লোন কয়াসু মীফম অদুদা ফোঙদোক্লখি। মীফম অদুদা কেবিনেট মিনিষ্টরশিং, চীফ সেক্রেটরি, এদমিনিষ্ট্রেটিব সেক্রেটরি, দি সীশিং অমদি হেদ ওফ দিপার্টমেন্টশিং কয়াসু শরুক য়াখি।

জি সী তোংব্রাগী প্লেশিং উৎপা ফেষ্টিবেল হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৫ (ঐচ এন এস) : ঔগ্রি থিয়েটর রিপর্টরি ক্লাকৈথেল লাই নোংশাবা ইম্ফালনা শীন্দুনা নুমিৎ হুম্নি চথগদবা ৭লকশুবা ষ্টেট লেবেল ফেষ্টিবেল ওফ জি সী তোংব্রা'স প্লে ২০১৮ ঙসি মণিপুর দ্রামাটিক য়ুনিয়নগী হোলদা হৌদোকখ্রে।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী রিটাইয়র্দ প্রো. আই এস কাংজমনা ফোঙদোকখিবদা মিনিষ্ট্রিজ ওফ কলচরগী স্পোন্সর মখাদা মণিপুরগী শক্লাইরবা ওজা জি সী তোংব্রাগী লীলাশিংদা য়ূন্ফম ওইবা ফেষ্টিবেল অমা পাঙথোক্কদৌরিবা অসিদা শরুক য়ারিবশিংবু ইকায় খুম্নে। ঔগ্রি থিয়েটরনা মতম-মতমগী ওইবা লীলা কয়াসু পুথোকই। জি সী তোংব্রাগী ওইবা লীলাশিংদা য়ূন্ফম ওইবা অসিগুম্বা ফেষ্টিবেল অসি চথরক্লি। থিয়েটরগী মরমদা নৈনবগী থৌরম পাঙথোকপা অসিনা থিয়েটরবু মশক তাকপদা অমদি মণিপুর থিয়েটরগী খোঙচৎতা ঔগ্রি থিয়েটরনা মতেং পাংলি। ঙসিদগী হৌগদৌরিবা ফেষ্টিবেল অসিদা ওজা জি সী তোংব্রাগী লীলাশিং উৎকদৌরি। ওজা তোংব্রা ঙসিদি ঐখোয়গী ইরক্তা লৈখিদ্রে। মহাক লাইপোকনি হায়না লৌবা য়াই। লীলা ১০০গী মথক্তা মহাক্লা ইবীরম্মী। খুন্নাই অসিদা ৱাখল-লৌশিং পীনবা হোৎনবা লীলাগী খূৎই কয়াসু পুথোক্লম্মী। ঙল্লিঙৈ মতমদা শুমাঙ কুম্মৈ ওইনা পুথোকখিবা মীতৈ চনু য়েংহৌবা মী খূদিংমক্লা ঙসি ফাওবা কাউরল্লোই। ওজাগী খূৎইদা মতম-মতমগী ওইবা তোপ-তোপ্পা মওং অমদা ইরি। ওজা অসিনা তৌরল্লিবা থবক কয়া অসি শীংথাবদা লোইবা নাইরোই হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা ফেষ্টিবেল ওর্গনাইজিং কম্মিটিগী চ্যেরমেন রবিচন্দ্রনা হায়খি, ওজাগী থৌরম অমা কুমজা ২০১২ দগী ঙসি ফাওবা চথরক্লিবা অসি য়াম্না নুংশিবা মতম চুপ্পদা লৈহৌরগদবা অমনি। ঐখোয়বু লমজিং-লমতাকপীরম্বা ওজা অসিনা লৈখিদ্রবা মতমদা ওজাবু নীংশিংবা ওইনা ফেষ্টিবেল অসি তৌবনি হায়নসু ফোঙদোকখি। থৌরম অদুগা মরী লৈননা *ঐ নিংথৌ শাগে* হায়বা লীলা অমা উৎখি। হয়েংনা *আইস্ক্রিম* উৎকনি হায়নসু মখা তারি।

মীয়ামদা থাজবা পীরম্লগা ডিপার্টমেন্টনা শেল কাইবিরক্লে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৫ : মমাং চহীদা ইচাউনা মরম ওইরগা সেঙমাই তুরেলগী ৱাবগাই মপাদা মফম খার তোর্বান কাইবদগী মীয়ামগী য়াইফনবনি হায়দুনা ৱাবগাই তেরা উরক মৈরা পাইবী ইমা ইবেলনা অরৈবা শেল পুথোক্লদুনা অমসুং ৱাবগাই সোশন ৱেনফেয়র ক্লবনা মতেং পাংদুনা অকাইবা তোর্ব্বান থোল্লুবা ইমা ইবেলশিং খুদোংচাদবা মায়োক্লরে হায়না ৱাবগাই সোর্শল ক্লবকী এদভাইজর ময়াংলম রঞ্জিৎনা ফোংদোকখ্রে ।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংগা উনবা অমদা রঞ্জিৎনা মখা তানা ফোংদোকখিবদা মমাং চহীদা ইচাও মরিরক থোকখিবনা মরম ওইরগা সেঙমাই তুরেলগী ৱাবগাই থিংঙেল লৈকাই, ৱাবগাই তেরা উরক লাই কালিকা মপাদগী তেরা উরক হায়স্কুল, ৱাবগাই থিংঙেল লৈকাই বামোল মপা অমসুং ৱাবগাই তুরেল মমৈ আর এল আই মপাশিংদা তোর্ব্বান কায়খি ।

মসিনা মরম ওইরগা মফম অদুগী লৌ, ঙা ফার্ম অমসুং য়ুম কয়া অকাই অতোই থোকপা ময়াম অসি কননবা ওফিসলশিংগা তান্নদুনা মৈরা পাইবী ইমা ইবেলশিংদা পৈশা পুথোকহন্দুনা তোর্ব্বাল থোনহনখিবনি । মতমদুদা এজেক্যুটিব ইঞ্জিনয়র (ই ই), এসিষ্টেন্ট এঞ্জিনিয়র (এ ই), সেক্সন ওফিসর (এস ও) য়াওনা লাক্তুনা হকথেংননা লাক্তুনা য়েংশিনবগা লোয়না অচংবা শেনফম খুদিংমক ডিপার্টমেন্টকী ফন্দদগী অথুবা মতমদা পীগনি হায়না থাজবা পীরম্মী হায়খি।

মহাক্লা হায়, থবক শুবা লোইরবা মতুংদা অচঙবা শেনফম পীবীনবা হায়রুবদা অমুক্লা শেল লৈ, অমুক্লা শেল লৈতে হায়দুনা হৌজিক ফাওবা পীগনি হায়খিবা শেনফম পীবিদ্রে। মসিগী মতাংদা তৌবা য়াবা কমপ্লেন্ট তৌরে অদুবু চপ চাবা পাউখুম ফংদ্রি।

ৱাবগাইদা লৈরিবা মীয়াম্না মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টকী মহুৎ শিল্লগা তোর্ব্বান কায়বশিং অদু থোন্দুনা দিপার্টমেন্ট অমদি লৈঙাক্কী মায় ঙাকখিবনি। দিপার্টমেন্ট অমসুং লৈঙাক্লা ইমা-ইবেলশিংবু থওই-উশিৎতবা, মখোয়না তৌজরিবা থবকশিং ইকায় খুম্নদবা অসি অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই। হীরম অসিগী মতাংদা লৈঙাক্লা কুপ্না নৈনবীয়ু। ইমা-ইবেলশিংনা তৌখিবা থবক অদু মরন্নাইগী তৌখিবা নত্তে। দিপার্টমেন্টকী অমসুং লৈঙাক্লা তৌবা ঙমদবা অদু মখোয়না মহুৎ শিল্লগা তৌখিবনি হায়নসু মহাক্লা মখা তাখি।

খূবাক ঈশৈগী ৱার্কশোপ হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৫ (ঐচ এন এস) : সঙ্গিট নাটক একাদেমি ন্যু দিল্লিগী শেন্থং মখাদা নট সঙ্গিট একাদেমিনা শীন্দুনা থা ১ চথগদবা ৱার্কশোক কম প্রদক্সন ওফ খূবাক ঈশৈ ঙসি জন্মস্থান লৈবা কম্ম্যুনিটি হোলদা হৌদোকখ্রে।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা এস থানিল পদ্মশ্রীনা হায়খি, মাঙথরক্লবা খূবাক ঈশৈবু হিঙ্গৎহন্নবা হোৎনবদা থৌদাং লৌবা য়াম্না ফৈ। ওজা কয়া চৎখ্রবসু লৈরিবা ওজাশিংদগী তমহৌবা চঙই। লৈকায়-লৈকায়দা লৈরিবা অহল-লমনশিংনসু খঙবীবা তঙাইফদে। অঙাংশিংবু পুথোক্তুনা য়াওহনবা য়াই। হিংলিবা ওজাশিংনা লৈরিঙৈদা নীংথিনা তমহৌবা চঙই হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা নট সঙ্গিট একাদেমিগী প্রসিদেন্ট টি ঐচ তোমচৌনা হায়খি, নট সঙ্কতর্নদা মাঙথরক্লিবা অসি হিংহন্নবা হোৎনবা চঙই। নট সঙ্কতর্ন তৌরিবশিং পূনশিল্লগা কন্নবা হোৎনমিন্নগদবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

ষ্টেট অমদি য়ুনিয়ন টেরিটোরি ১৪ কী জিলা ৪০৬ গী পঞ্চায়টশিংগী নুপী মীহুৎ ১৮,৫৭৮ ট্রেনিং পীখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৫(ঐচএনএস) : পঞ্চায়টকী নুপী মীহুৎশিং শেমগৎনবগী প্রোজেক্ট অমা ৱুমেন এন্দ চাইল্ড ডিভলপমেন্ট মিনিষ্ট্রিনা পায়খৎলি। ৱুমেন এন্দ চাইল্ড ডিভলপমেন্ট মিনিষ্ট্রিগী মখাদা লৈবা নেসনল ইন্সটিট্যুদ ওফ পব্লিক কোওপরেসন এন্দ চাইল্ড ডিভলপমেন্টনা প্রোজেক্ট অসি পায়খৎপনি।

পঞ্চায়টকী নুপী মীহুৎশিং ট্রেনিং পীবগী থবক অসি মথাং অনি থোক্লা পায়খৎপনি। পঞ্চায়টি রাজ ইন্সটিট্যুসনশিংগী নুপী মীহুৎশিং অমসুং মাষ্টর রিসোর্ছ পার্সনশিংগী অহানবা তাঙ্ককী ট্রেনিং অমা ২০১৭ গী নবেম্বর ২৭ দা পাঙথোকখ্রে। অনিশুবা তাঙ্কক্কী ট্রেনিং মাষ্টর ট্রেন্নরশিংগীসু পাঙথোকখ্রে। হৌজিক মাষ্টর ট্রেন্নর ৪২৪ না ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরি ১৪ গী জিলা ৪০৬ কী পঞ্চায়টশিংগী নুপী মীহুৎ ১৮,৫৭৮ ট্রেনিং পীবা ঙম্লগনি। থৌরম অসিনা প্রাইম মিনিষ্টরনা পামজবা লৈবাক অসি "নুপী চাওখৎহনবদগী নুপীনা লমজিংদুনা চাওখৎপা" হায়বদু মঙফাওনবা ঙম্লগনি।

পঞ্চায়টশিংদা নুপী মীহুৎ ময়াম অমা কারবশু মখোয়না করিমত্তা তৌদনা লৈবা অদু উবদগী ৱুমেন এন্দ চাইল্ড ডিভলপমেন্টগী মিনিষ্টর মেনেকা সঞ্জয় গান্ধিনা থৌরম অসি হৌদোরকপনি।

সরকারগী চাওখৎ থৌরাংগী থৌরমশিং ফজনা পায়খৎপা ঙম্নবা মখোয়গী লুচিংবা ওইবগী মগুণ হেনগৎহন্নবা অমসুং অশীন-অরাংগী থবক খঙনবা থৌরম অসি পায়খৎলকপনি। নুপী মীহুৎশিংগী মহৌশানা লৈবাক অসিদা পাঙথোক্লিবা ট্রেনিংদা নুপীগী ওইবা ৱাফমশিংদা অকনবা মীৎয়েং থমদে অমসুং মখোয়না কুপথনা থবক তৌরকপা মতমদা থেংনরক্কদবশিং মতৌ করম্না মায়োক্লগদগে হায়বগী মতাংদা খঙবা ৱাৎলি। লৈবাক অসিদা নুপী মীহুৎ লাক্ষ ১৪ হেন্না লৈরি।

নুপী অমসুং অঙাং ঙাক-শেন্ননবা আইনশিংগী মরমদা, ষ্টেট অমসুং সেন্টরগী চাওখৎ থৌরাংগী স্কিমশিং, ইনফোর্মেসন কম্ম্যুনিকেসন টেক্নোলোজি (আই সি টি), প্লান্নিং লন থুম খোমগৎপা, মীয়ামগী থবকশিং য়েংশিনবা অমসুং লুচিংবশিংগী গুনশিং নুপী মীহুৎশিংদা খঙহন্নবা ৱুমেন এন্দ চাইল্ড ডিভলপমেন্ট মিনিষ্ট্রিনা ট্রেনিংগী শরুকশিং শেমগৎলি। মীয়ামগা হকথেংননা থবক তৌরিবা লুচিংবশিং শেমগৎনবগী পান্দমদা পায়খৎলিবা খোঙজং অসিনা চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিং মহয় য়ানবা ঙমগনি। মসিনা নুপী মেম্বরশিং অমসুং পঞ্চায়টশিংগী লুচিংবশিং হৈথোই শিংথোইবা হেনগৎহন্দুনা মখোয়না খুঙ্গংদা ফজনা লৈঙাকপা ঙমগনি।

য়ু সি এমনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৫(ঐচএনএস) : মণিপুরগী শক্লাইরবা সেনিয়র জর্নেলিষ্ট অমসুং ডি টেলিগ্রাফ পাউচেগী স্পিসল করেস্পোন্দেন্ট খেলেন থোকচোমনা ইখঙ খঙহৌদনা মশাগী অনাবা অমদগী মনুং মতম চাদনা লৈখিদবদা য়ুনাইটেদ কম্মিটি মণিপুর (য়ু সি এম) না থম্মোয় শোক্লা নুংঙাইতবা ফোঙদোকচরি। মহাক্কুম্বা অমনা মনুং মতম চাদনা লৈখিদবা হায়বসি মতম চুপ্পগী ওইনা ঈরমদম অসিগী মেনশিনবা ঙমদনা হাংদুনা লৈহৌরগনি।

ঙসি লম্ফেলপাৎতা লৈবা য়ু সি এমগী হেড ওফিসতা য়ু সি এমগী প্রসিডেন্ট এলেংবম জোনসননা প্রিসাইদ তৌদুনা সেন্ট্রেল কম্মিটিগী ওইবা অৱাবা ফোঙদোকপগী মীফম অমা ফমখি। মীফম অসিনা লৈখিদ্রবা শক্লাইরবা খেলেন থোকচোমনা মণিপুর অমদি মালেমগী মফম কয়াদা ঈ-পাও শন্দোক্তুনা অচৌবা থৌদাং লৌরম্বা অমদি ইমা লৈবাক্কীদমক কখোক্তুনা হোৎনরম্বা কয়াশিং অদুবু শিংথাখি লোয়ননা মিনিট অনি তুমীন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখি।

মহাক্কী থৱাইনা তাইবঙ মপুগী মনাক্তা ঈংনা-চিক্লা লৈহনবীনবগীদমক লূপ অসিগী থৌমীশিংনা তাইবঙ শেম্বা মপু মাগী মফমদা থৌনিজরি। লোয়ননা ইমুং-মনুংগী মীওইশিংনা নংহৌরিবা অৱাবদসু য়ুনাইটেদ কম্মিটি মণিপুর (য়ু সি এম) না শরুক য়ারি হায়না চেরোল অসিনা মখা তারি।

গাড়ি মপু লোৎখ্রে, ফংনবা থিবদা মতেং পাংবিয়ু

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৫(ঐচএনএস) : হৌখিবা মার্চ ১০ গী নুমিদাং পুং ১০ তাবা অদুৱাইদা থৌবাল ডিষ্ট্রিক্টকী ৱাংজিং হাওবমদা থোকখিবা গাড়ি এক্সিডেন্ট অমদা চেন্নবা মারুটি কার অমগী মপু হৌজিক ফাওবা লোৎলগা লৈখিবদগী এক্সিডেন্ট অদুদা শোকখিবা নুপামচা অমা অৱাবা তারে।

থৌদোক অদুদা অৱাবা তাহৌরবা ৱাংজিং হাওবমদগী ৱাহেংবম কিষনগী অপোকপনা ঙসি মহাক্কী ময়ুমদা পাউমীশিংগা উন্নবদা মহাক্লা হায়, হৌখিবা মার্চ ১২ গী নুমিদাংদা মচানুপা কিষন্না মমান্নবা অমগী লেডিস বাইক সুজুকি অমা ৱাইরগা ৱাংজিংদগী হৈরোক চঙবা লম্বীদা থৌরিঙৈদা ৱাংজিংদগী হৈরোকলোমদা থৌরকপা মারুতি কার অমনা থোমজিল্লম্বদগী থৌদোক অদুদা মহাক্কী মচানুপা ৱাখল মাংদুনা খোঙবালদা তাদুনা লৈহৌবনি।

মতম অদুদা মী লৈতবা অমসুং অমম্বগী খুদোংচাবা লৌদুনা মারুতি কার অদু নাম্থোক্তুনা চেনখিবনি।

থৌদোক অদুদা মহাক্কী মচানুপা কিষন মখুৎ, মখোং অমসুং থবাক্তা শোক্তুনা থৌবাল ডিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়েংখি। মহাক হৌজিক্তি থোইদোক্লা খুদোংথিনিংঙাই ওইদ্রে।

অদুবু থৌদোক অদুদা চেন্নবা মীওই অমদি কনানো করিনো হায়বা খঙদ্রে, থৌদোক অসিগী মতাংদা থৌবাল পুলিসতা রিপোর্ট অমা তৌদুনা মীওই অদু থীদোকপীনবা হায়জখ্রে, অদুবু হৌজিক ফাওবা থিবা খঙদ্রি।

অমরোমদা ইচানুপানা ৱাইরুবা গাড়ি মপুনা নুমিৎ অদুদা এক্সিডেন্ট থোকখিবা গাড়ি অদু অহনবা ওইনা শিংলো হায়রকপা, অমদি ইচানুপাগী লায়েহনবা হোৎনবদা চঙখিবা শেনফমশিং ফুক্কৎনবা হোৎনবদা লাইরবা ওইবনা হেন্না অৱাবা মায়োক্লরে। মরম অদুনা নুমিৎ অদুদা ইচাবু থেংগাইবীরম্বা গাড়ি অমসুং মপু ফংনবা থিবদা লৈবাক মীয়াম্না মতেং পাংবিয়ু হায়বা ৱাফম থল্লকখি।